# RNU, IMPHAL
# MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM
**(DATE 03-10-2025)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) সেক্যুরিতি ফোর্সনা লালহৌবা অহুম অমসুং খুৎলায় অমদি ড্রগ লল্লোনবা মীওই অমা ফারে।

২) রাজ্যগী হেলথ সার্ভিসেসকী জোইন্ট দিরেক্তর ডাঃ যুমখাইবম প্রেমচন্দ্রনা হায়রি- মণিপুরদা অহল ওইরবা মীওইশিংগী চাদা ১৩ দাইবেটিসনা নারি, অদুগা চাদা ৩৪ না প্রি-দাইবেতিক্কী ফিভমদা লৈরি।

অমসুং

৩) ভারত অমসুং চাইনাগী মরক্তা দাইরেক্ত এয়ার সার্ভিস থা অসি লোইশিল্লকপদগী হৌননবা য়ান্নখ্রে।

------

সেক্যুরিতি (এল)ঃ সেক্যুরিতি ফোর্সনা অককবা পাউ ফংবদগী থি হুন্বগী থবক লেপ্তুনা চথরি।

মণিপুর পুলিসকী চেরোল অমনা হায়- সেক্যুরিতি ফোর্সনা ঙরাং ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাদগী আর.পি.এফ-পি.এল.এগী মীওই অনি ফাখি। মখোয় তম্পাক্কী মফমশিংদা লৈবা চেক্কোন অমসুং মীয়ামদগী শেল খায়বদা চেন্নবনি হায়রি। মণিপুর পুলিসনা হৌখিবা য়ুমশকৈশা নুমিৎতা থৌবাল জিলাগী য়াইরিপোক পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা য়াইরিপোক খোইরোম মথক লৈকাইদগী পি.এল.এ-আর.পি.এফকী মীওই অমা মশাগী ময়ুমদগী ফাগৎখি। মহাক

থৌবাল তুরেলগী অকোইবদা নুঙ লৈঙোইগী থবক তৌরিবা মীওইশিংদগী শেল খায়বদা চেন্নবনি হায়রি। নুমিৎ অসিমক্তদা সেক্যুরিতি ফোর্সনা চিন-কুকি-মিজো আর্মিগী মীওই অমা চুরাচান্দপুর জিলাগী এস. মুনুৱামদগী ফাখি। মহাক সু সহি তৌদবা লুপশিংগী খুৎশু খুৎলায় অমসুং ভারত-ম্যান্মার ঙমখৈ পরিংদা ড্রগ পুথোক পুশিন তৌবদা চেন্নবনি। মহাক মীয়ামদগী শেল খায়বদসু চেন্নবা মীওইনি হায়রি। মঙোনদগী এ.কে. ফোরতি সভেন রাইফল অনি, মেগজিন অনি, নোংমৈ মরুশিং, চাকা মরি পানবা গাড়ি অমা, বুল্লেট প্রুফ পাউস অমা, শেল ওইনা লুপা লাখ ১ ফাগৎপা ঙমখি।

অককবা পাউগী মতুংইন্না চান্দেল দিষ্ট্রিক্ট পুলিসনা শজিক তম্পাক্কী টি. কোটলেন্দ ভিলেজদা ড্রগ লল্লোন মীওই অমা ফানবা থি হুম্বগী থবক চথুখি। অদুমওইনমক, মীওই অদু নাম্থোক্তুনা চেনখি। পুলিস কাংবু অদুনা হল্লকপদা মফম অদুদা লৈরম্বা মীয়ামা পুলিস টিম অদুদা এটেক তৌরকখি। অদুমওইনমক, অসাম রাইফলস অমসুং সেন্ত্রেল আর্মদ পুলিস ফোর্সকী মতেংগা লোয়ননা মফম অদুগী লুচিংবশিংগা ৱারী শান্নরবা মতুং অশোই অঙাম য়াওদনা হল্লকখ্রে হায়রি।

ডে (এল)ঃ চিনি হেন্না চাবগা মরী লৈননা হকচাংদা শোকহল্লক্কদবশিং অমসুং অফবা চীঞ্জাক চাবগী হৈনবী লৈহনবা হায়বা হিরমদা লৈবাক অসিদা ঙসি জাতিগী নো সুগর ডে পাঙথোক্লি।

নুমিৎ অসিগা মরী লৈননা রাজ্যগী হেলথ সার্ভিসেসকী জোইন্ট দিরেক্তর অমসুং ষ্টেট নোদেল ওফিসার এন.সি.দি ডাঃ য়ুমখাইবম প্রেমচন্দ্রনা হায়- মণিপুরদা অহল ওইরবা মীওইশিংগী চাদা ১৩ দাইবেটিসনা নারি, অদুগা চাদা ৩৪ না প্রি-দাইবেতিক্কী ফিভমদা লৈরি। মহাকা হায়- হন্দক পাঙথোকখিবা স্বাস্থ নারি সাসক্ত অভিয়ান কেম্পেনগী মনুং চন্না মীওই লিশিং ৫০ হেন্না দাইবেতিস লৈব্রা হায়না স্ক্রিনিং তৌখ্রে।

টিবি (এল)ঃ  স্বাস্থ্ নারি সাসক্ত পরিবার কেম্পেনগী শরুক অমা ওইনা মীওই লিশিং ৯ হেন্না টি.বিগী স্ক্রিনিং তৌখ্রে। স্ক্রিনিং তৌবা অদুদা মীওই অনি টি.বিনা নারে হায়বা খঙবা ঙমখি। নেসনেল টি.বি. ইলিমিনেসন প্রোগ্রামগী ষ্টেট টি.বি. ওফিসার ডাঃ হেমলাতা থোকচোমনা হায়- কেম্পেন অসিগী শরুক অমা ওইনা মীওই ২৫ দা টি.বিগীদমক মচি ওইবা চীঞ্জাকশিং য়েন্থোকখি। মসিগী মথক্তা টি.বিনা নারবা মীওই ৯২ মচি ওইবা চীঞ্জাক ফংহন্নবগীদমক রেজিষ্টর তৌরকখি। মহাকা হায়- মীয়াম পুন্না অমগা অমগা মতেং পাংনদুনা লমদম অসিদগী টি.বি. লায়না মপুং ফানা মুখৎলশি।

অমরোমদা, ইম্ফাল ৱেষ্টকী চীফ মেদিকেল ওফিসারগী মীৎয়েং মখাদা ইম্ফাল ৱেষ্টকী মেকোলাদা প্রাইমারি হেলথ সেন্তরদা অখন্নবা হেলথ কেম্প পাঙথোকখ্রে।

কম্পিতিসন ঃ  টুগেদর এজ ৱান হায়বা হিরমদা পিছ পোষ্টর কম্পিতিসন অমা ঙরাং কংলৈ ইনৎ য়োকখৎ লুপ লুৱাংশংবমগী পান্থোইবী শঙলেনদা পাঙথোকখ্রে। লাইওন্স ক্লব ইম্ফাল সিতি য়ুনাইতেদ, দিষ্ট্রিক্ট 322-দিনা শিনবা কম্পিতিসন অদুদা চহি ১১ দগী ১৩ ফাওবগী মনুংদা লৈবা মহৈরোই ৫০ রোমা শরুক য়াখি।

আদি (এল)ঃ  চুরাচান্দপুর জিলাগী লমকা সাউথ ব্লোক অমসুং তুইবোং ব্লোক্তা আদি কর্ম্ম যোগি অভিয়ানগী অখন্নবা গ্রাম সভা ঙরাং পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা খুল অনিমকা ত্রাইবেল ভিলেজ ভিজন ২০৩০ পুন্না য়াবা, ভিক্সিত ভারত এদ ২০৪৭ গা মরী লৈননা খুঙ্গংশিং অসিদা অহেনবা মীৎয়েং চংবা হায়না য়ান্নখি। খুল অনিমকা আদি সেবা কেন্দ্র অমমমসু হাংদোকখি।

সেবা (এল)ঃ স্বাচতা হি সেবা কেম্পেনগী মনুং চন্না মন্ত্রিপুখ্রিদা লৈবা ফোরেষ্ট ওফিস কমপ্লেক্সতা লম-তু শেংদোকপগী থৌরম অমা ঙরাং পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা সেন্ত্রেল ফোরেষ্ট দিভিজনগী দি.এফ.ও অমসুং ষ্টাফশিং শরুক য়াখি।

নোং (এল)ঃ ইন্দিয়া মেতিওরোলোজিকেল বিভাগনা মণিপুর, নাগালেন্দ, মিজোরম, ত্রিপুরা, অরুনাচল প্রদেশ, তামিলনাদু, পুদুচেরি, অন্ধ্র প্রদেশকী সমুদ্র খোঙবানগী মফমশিংদা ঙসি ময়াই ওইরপ্তুনা কল্লকপ নোং চুগনি হায়রি। বিভাগ অসিনা হায়- অসাম, মেঘালয়, ছত্তিসগর, নোংপোক থংবা মধ্য প্রদেশ, নোংপোক থংবা উত্তর প্রদেশ, ঝারখন্দ, ওরিষা, সিক্কিম অমসুং নোংচুপ বেঙ্গলগী মফম কয়াদা নোং কন্না চুগনি। বিহারদদি রেড এলার্ট লাউথোকখ্রে।

ইন্দো-চাইনা ঃ ভারত অমসুং চাইনাগী মরক্তা দাইরেক্ত এয়ার সার্ভিস থা অসি লোইশিল্লকপদগী হৌননবা য়ান্নখ্রে।

মপান থৌরম মন্ত্রালয়না হায়- লৈবাক অনিগী সিভিল এভিএসন ওথোরিতিজনা দাইরেক্ত এয়ার সার্ভিস মখা চত্থনবা টেকিকেলগী থাক্তা ৱাফমশিং খন্নবা হৌরে। ভারত অমসুং চাইনাগী মরক্তা লৈনরিবা মরী তপা তপা ফগৎলকপদগী চহি অসিগী হৌগৎলকপদগী সরকার অনিগী মরক্তা ৱারী শান্নদুনা লাকখিবনি। মসিগী মখা তারকপদা লৈবাক অনিনা দাইরেক্ত এয়ার সার্ভিস মখা তানা চত্থনবা ৱারেপ লৌখিবনি।

জিএসটি ঃ নেক্স জেনেরেসন জি.এস.টি রিফোর্মস ২০২৫ চৎনখ্রবা মতুং জি.এস.টি টু পোইন্ট জিরোগা মরী লৈননা নেসনেল কঞ্জুমর হেল্প লাইনদা হৌজিক ফাওবদা টেলিফোন কোল লিশিং ৩,৯০০ হেন্না লাকখ্রে হায়রি।

কঞ্জুমর এফ্যারস, ফুড এন্দ পাব্লিক দিষ্ট্রিব্যুসন মন্ত্রালয়না থোকপা চেরোল অমনা হায়না ফোন তৌরক্লিবশিং অসিগী মনুংদা চাদা ৩১ না জি.এস.টিগা মরী লৈনবা ৱাফমশিংনি। অদুগা চাদা ৬৯ না তোঙান তোঙানবা ৱাকৎশিংনি। মন্ত্রালয়না হায়- শঙ্গোমগী মমল, ইলেক্ট্রোনিক্কী পোৎলমশিং ই-কম্মর্স ৱেব

সাইটকী খুখাংদা লৈবা, দোমেষ্টিক এল.পি.জি সিলিন্দর, পেট্রোলগী মমলনচিংবশিংগী মতাংদা মীয়ামগী ৱাকৎ কয়ামরুম লাকখি। মন্ত্রালয়না হায়-ৱাকৎশিং অসিগী মনুংদা জি.এস.টিগা মরী লৈনবা ৱাকৎ লিশিং ১,৯০০ হোন্না

সেন্ত্রেল বোর্দ ওফ ইনদাইরেক্ত টেক্সেস এন্দ কষ্টমসতা থাদুনা থবক লৌখৎনবা খঙহন্নখ্রে।

---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

মহাত্মা গান্ধিগী কুমওনগা ইরোয়ননা নেসনেল ক্লিনিনে ডে পাঙথোকখ্রে, লু-নানবা, চাওখৎপা মণিপুর ওইহন্নবা পুমমকা থৌদাং লৌমিন্নশি হায়না মণিপুরগী গভর্নরনা ফোংদোকখিবা ৱাফমনা সনালৈবাক পাউচেগী অহানবা হেদলাইন তৌরি।

পাউ অসি পোকফম, শঙাই এক্সপ্রেস ইদিসন অনিমক, পিপলস ক্রোনিকল, হুইয়েন লানপাউ অমসুং নহারোলগী থৌদাংদা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংবা থেংনরি।

প্রসিদেন্ট রুল চৎনহল্লবসু চীংদদি লো লৈতবদৌনা অদুমক তৌরি, সু তৌনরিবা য়ু.কে.এল.এফকী লিদর অমগী য়ুমদগী ড্রগ ফাবা চংলুবা পুলিসশিংদা খুঞ্জাশিংনা এটেক তৌরকখ্রে হায়বা পাউনা হুইয়েন লানপাউগী অনিস্বা হেদলাইন তৌরি।

পাউ অসি শঙাই এক্সপ্রেস মণিপুরি ইদিসন অমসুং মোর্নিং বেলদা খুৎলায় ফাবা চংলুবা পুলিসকী গাড়ি থুগাইরকখ্রে হায়না অনিসুবা হেদলাইন তৌরি।

শঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস ইদিসনদা- নেসন ফার্ষ্ট এদ 75 ঙরাং লোইশিনখ্রে হায়না অনিসুবা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি।

নেসন ফার্ষ্ট এদ 75 ঙরাং লোইশিনখিবগী পাউ অসি পিপল ক্রোনিকলদসু অনিসুবা হেদলাইন তৌরি।

অৱাং নোংপোক চাওখৎতনা ইন্দিয়া চাওখৎপা য়ারোই হায়রবসু চাওখৎ

থৌরাংগী শেনফম থাদবদদি চাদা ১০ ফাওবা য়ৌদনা লৈরি হায়বা পাউনা নহারোলগী থৌদাংদা অনিসুবাা হেদলাইন তৌরি।

৭১ শুবা ৱার্ল্ড ৱাইল্ড লাইফ ৱিক থৌরম হৌদোকখ্রে, মণিপুরগী জ্‌লোজিকেল গার্দেন মতমগা চুনবা মওংদা শেমগৎনবগী থৌরাং লৈরে হায়না অনুরাগ ভাজপায়না ফোংদোকখিবা ৱাফমনা অহানবা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি।

নাৎকী চৎনবা কয়াগা লোয়ননা ক্ৱাক তানবগী থৌরম পাঙথোকখ্রে হায়বা পাউ সনালৈবাক্কী এনকর কলমদা ফোংলি।

গানফিউ মেলদা- তমেংলোংগী ত্রিনিতি পাব্লিক স্কুলদা ৱাইল্ড লাইফ ৱিক থৌরম হৌদোকখ্রে, থৌরম অদুদা শওম ঙাক শেন্দুনা থমবগী মতাংদা এৱারনেস পাঙথোকপগী পাউনা অহানবা হেদলাইন তৌরি।

হৌখিবা পুং ২৪ অসিদা মণিপুরদা অনৌবা দেঙ্গিগী কেস ৮৫ থেংনরে হায়বা পাউ অমসু পাউচে অসিনদা ফোংবা থেংনরে।

হিলস হোনবিল এক্সপ্রেসতা- সেনাপতি জিলাদা নেসন ফার্ষ্ট এদ 75 কেম্পেন অমসুং স্বাচতা ভারত মিসনগী মনুং চন্না জিলা অসিদা লু-নানবগী দ্রাইভ পাঙথোকখ্রে হায়বা পাউন অহানবা হেদলাইন তৌরি।

------